ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ০৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৫০শুবা মশীং

# শা-য়েন হাৎলম্বগী থৌদোক

## *তোকঙা শন্দোকপা থিংনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই*

**মণিপুরগী** তোঙান-তোঙানবা মফমদা হন্দক মরক য়ূমদা য়োকপা শা-য়েন হাৎলম্বগী থৌদোক মথং-মথং থোরক্লি। চপ চাবা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙমদ্রগসু লম্লক্কী শা মখল খরা লাক্লগা য়ূমদা য়োকপা শা-য়েনশিং হাৎলম্বনি হায়না মায়কৈ কয়াদা ঙাঙনরক্লি। মায়কৈ খরদনা ঙানু, য়েন, ওক অমদি হামেংনচিংবা হাৎলল্লিবা শা অদু পাইবা ঙম্মী হায়নবা য়াওরি। য়ূমদা য়োকপা ঙানু-য়েনদগী হেন্দোক্তুনা মীদা ফাওবা এটেক তৌবগী ফীভম লাক্লে হায়নরক্লি। দিসেম্বর ১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খুরাই হৈক্রুমখোঙদা লৈবা হৈঙাং খোংদগী মৌ নহা অমা মশা পানবা শানি চিংনবা অমনা খোৎলম্বদগীনি হায়দুনা শোকপদগী জেনিমস হোস্পিটালদা পুখৎলকপা লৈখ্রে। শোক্লবী নুপী অদুনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মঙোন্দা খোৎলল্লিবা শা মানবা অদু য়ূমগী ফক্লাংদা তোংদুনা লৈরম্বনি। শেকপী মানবা শা অদু মতু চোমদ্রগসু মমৈ পানবা মাল্লি হায়রি। মায়কৈ খূদিংগী ঙানু-য়েন হাৎলম্মী হায়বা থৌদোক্কা মরী লৈনবা ৱারী ঙাক্তা শানবগী ফীভমদা লাক্লে। চপ চানা চুম্মী-লাল্লি খঙদবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরবসু খুমাং চাওশিনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। ভেটরিনরি দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা থৌদোক থোকপা খূদিংগী থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা য়েংশিল্লগা অশিবা ঙা-য়েনশিং পোষ্ট মোর্টেম তৌই হায়রি। অদুম ওইনমক শিরল্লিবা ঙা-য়েনশিং করম্বা শানা হাৎলম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। তৌবগীবুদি ধেরাদুনদা লৈবা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী কাঙবু অমা লাক্তুনা থিজিল্লগনি হায়রবনিনা চপ চাবা ৱাফম অমা শোয়দনা খঙবা ঙল্লগনি।

খ্বাইদগী অহানবা ওইনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা মথোং-মরম খঙদনা য়ূমদা য়োকপা শা-য়েন কয়ামরুম শিরল্লবা মতুংদা তম্পাক্কী অতৈ মফমদসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং মথং-মথং থোরকখি। মমাংদা মীয়াম্না থাজনরমদ্রবসু নবেম্বর ২৬ তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নিংঙোমথোং কিত্না পনুংদা মীওই অমগী ময়ূমদা লোইবা ঙানু ৭০ হেন্না মবুক হোগায়রগা হাৎলম্বগী থৌদোক থোকখি। ইমুংগী মীওই পুম্নমক চৎথোকখ্রিঙৈগী তাঞ্জাদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়া মথং-মথং থোরকখ্রবা মতুংদা টাস্ক ফোর্স অমা শেম্লগা চপ চাবা থবক লৌখৎপা হৌরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট য়াওনা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী মীহুৎশিংনা শেম্বা টাস্ক ফোর্স অমনা থৌদোকসিগী চপ চাবা লীখূন খঙদোক্লবা হোৎনরে হায়রি। অমরোমদা, লৈঙাক্কী চীফ কঞ্জর্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (ৱাইল্ডলাইফ) অমসুং চীফ ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেননা হীরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা চেকশিন-ৱারোল পীরকপা লৈখ্রে। থাংজ নুমিৎতা চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (ৱাইল্ডলাইফ) অনুরাগ বাজপাইনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, ঙানু-য়েন অমদি য়ূমদা য়োকপা শা-ষণ থল্লিবা মফমশিং চেকশিন্না খাজিনগদবনি; মৈ ঙান্না থানগদবনি অমসুং অকোয়বদা শোঙহল্লোইদবনি। করিগুম্বা লম্লক্কী শাশিং উবা থোক্লবসু খূদক্তা হেক্তা হাৎতোকপগী মহুৎতা মরী লৈনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা পাউ পীগদবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অদুনা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা লংলা লংজিন খঙবা ঙমদ্রিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লম্লক্কী শা হাৎপগী থৌওং চত্থবীগনু। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি মফম কয়াদা ঙানু-য়েন অমসুং য়ূমদা য়োকপা শাশিং হাৎলল্লিবসি থাঙ্গৈশেংনা লম্লক্কী শানরা নৎত্রগা কনাগুম্বা খরনা হেঞ্জিনবা মওংদা তোকঙা শন্দোক্লবরা হায়বসিনি। হৌজিক ফাওবদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিগী মীৎনা উহৌবা পাউদম পীনরকপদা খেন্নবা কয়ামরুম লৈবা মরম্না চপ চাবা লম্লক্কী শা মখল অমা থৌদোকসিদা শোয়দনা চেন্নরমগনি হায়না হেক্তমক লেপথোকপসু য়াদ্রি। মীয়ামদা তোকঙা শন্দোকই হায়না মরাল শীবমক নৎত্রগসু ঙানু-য়েন হাৎলল্লিবসি কনাগুম্বনা শানি হায়, অতোপ্পা খরনা শেকপী মাল্লি হায়রি। কৈ মাল্লি হায়নবসু য়াওরি। ঙানু-য়েন কয়া পাক্তক্লনা হাৎলল্লে হায়বসিমদি য়েৎননিংঙাই লৈতনা চুম্বা ৱাফম ওইরে। অদুম ওইনমক কনানা কমদৌনা হাৎলম্বনো হায়বগী মতাংদা কদায়দনো করিনো হায়জিনবা মানবা ৱাফম অমা য়াওবগুম তৌরি। নোংমা-নীনিগী মনুংদা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম অমা শোয়দনা থল্লক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরকসিদা কনাগুম্বা খরনা হেঞ্জিনবা মওংদা তোকঙা শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু মীপাইবা পোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা চুমদে।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

## ঐখোয়গী লৈপাক্কী মিং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মশাগী** অশেংবা শক্তম কঞ্জনবগীদমক মশাগী ওইজবা লোলদা মরমদমগী মিং ওন্নরি - কলকত্তা (কোলকত্তা), মদ্রাজ (চেন্নাই), বোম্বে (মুম্বাই) হায়না। মসি পুম্নমক য়েংলুরগদি ইরৈপাক অসিগী মিং সংস্কৃট লোলদা মণিপুর কৌরিবসি চুম্মী হায়না লৌফম থোকপ্রা?

মরমদি ঙসি ঐখোয়না ঙাঙনরিবা লোল অমসুং লোয়ননা লৈপাক অসিদা লৈরিবা খুন্দগী হৌরগা লৈকায় খুদিংমক অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী মিং সংস্কৃট লোলগা মরী অমত্তা শম্ন দে। হোয়, তৌবগীবুদি লৈকায় খরা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট খরখক লৈ। মসিসু ঙরাং-নহালতা থোনখিবগী ৱারী লৈরি। দিষ্ট্রিক্টতা হায়রগনা বিষ্ণুপুর, চুড়াচান্দপুর অমসুং সেনাপতি। বিষ্ণুপুরগী অশেংবা মিং (লম্মাংদোং), চুড়াচান্দপুর (য়েল্লাং) অমসুং সেনাপতিসু ঙরাং নহালতগীনি।

থমজনীংলিবদি সুক্তাইমক তাইশিন্নবা য়াদ্রবা লৈপাক্কী মিং অসিবু ঐখোয়না চুম্মী লৌদুনা সুম লৈরগদ্রা? মসি হৌরক্লিবা ইরৈচাশিংনা তিন য়োঙ্খহন্নীংই।

অরোইবদা খোয়রাংনা ফোঙদোকচরিবা ৱাফমশিং অসি মীৎয়েং শান্দে খন্নবীবদি য়াই। অদুম ওইনমক মসি পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগনি অমসুং ঙসিগী মালেমদা হোংলক্লিবা মচৎ অমনি।

*অদোমগী - অবুজম ইবোপিশক লুৱাং*
*খা-জিরি মমাঙ, হৈত্রোই মখোঙ, নম্বোল*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা লাচন্দুনা লৈরি, মাইনু পেমচানা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা। হৌজিক ফাওবা চনু অসিগী ৱারীনা ঐখোয়গী খোরিরোলদা অচৌবা মফম অমসু কল্লি।
(ক) মাইনু পেমচানা শিখিবা কুমজা, তারিখ হায়য়ু।
(খ) মাগা মরী লৈনরিবা বোরাচাওবা কনাগী মচানো?
২। "ময়াম্না দুর্বাসা হায়রগা খঙনৈ।... মাগী মথক্তা ৱা ঙাঙবা য়াদে।" ৱাফম অসি ক্রিটিক অমনা অইবা অমবু হায়রিবনি। অইবদু কনানো?
৩। "ৱারীমচা ইবা নবকুমার নোংমৈকাপম্বু মীরায়বা য়াবা অইবরা?" ৱাফম অসিসু ক্রিটিক অমনা নবকুমারবু থাগৎতুনা হায়রিবনি। ক্রিটিক অদু কনানো?
৪। ঐখোয়গী ৱারীমচা ইবী অমনা ১৯৮৭তা 'কদায়দনো' কৌবা উপন্যাস অমা ফোঙলকখি। অইবী অদু কনানো?
৫। "মায়কৈ অমরোমদা মপুরোইবগী মফমদগী শর্মিন্দানা মচাগী পাউ তাবদা পুন্সি চুপ্পা খুদাং পিফম কংদনা লেনখি।" পরেং অসি 'কল্যানী' কৌবা উপন্যাসতুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# *লৌমীশিংগী কাখল*

# পান্থীদা লায়না-তীলনা হন্থহনবা ঙম্বা তিলহৌ

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**



**মণিপুরদা** চহী খুদিংগী তিলহৌ, চনম থাবগী চাং হেনগৎলক্লি। লৌফম নৎত্রগা হিঙ্গোলদা পাঙথোক্লিবা অওন পোথাগী মনুংদা তঙাইফদনা তিলহৌ, চনমসু য়াওহনবা চঙই। মসিনা পাম্বী অতৈদা লায়না তীলনা তাবা হন্থহল্লি। অমরোমদা য়েঞ্চাং নাপী কয়াগী মরক্তা তিলহৌ, চনম থাজিনবনা লায়না তীলনা তাবা হন্থবগী অচৌবা মরম অমা ওইবনা তঙাইফদনা থানীংবা পোৎলম অমা ওইরক্লি।

**তিলহৌ মখল :** মণিপুরদা চানবা তিলহৌ মখলশিং 'মসিনি' হায়বা অমা লৈত্রগসু মতম মতমগী থানবা মরু-মরাং য়োল্লিবা দুকানশিংদগী লৈরগা থানবা ঙাক্তনি। হীরম অসিগী অখঙ অহৈশিংনা তিলহৌবু মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্লবসু মীয়াম্না পাম্নরিবসি অঙাঙবা মখল (নাশিক রেড) কুম্বা মখলশিংনা লায়না তীলনা তাবা হন্থে। অঙৌবা অমসুং লায়না তীলনা তাগনবা তিলহৌ য়ূমগী চানবা অমসুং লৌমীশিংনা পাম্নদে। নাপু মচুগী তিলহৌ অমসুং চবুন-চবুন ওইনা মরু তাবা তিলহৌ মচা (মল্টি প্লায়র ওনিয়ন) শিংসু অঙাঙবা অচৌবা তিলহৌশিংগা চাংদম্নবা য়াদে। পাম্নদে। মমীং পনবা য়াবা অচৌবা তিলহৌদি Prema, Agrifound dark red নি।

**অইং-অশা :** য়াম্না ঙন্না নৎত্রগা থেংনা হুনবা তিলহৌশিং মপাল ঙন্না শাগল্লি। ওক্টোবর অমসুং নবেম্বরগী অঙনবা মতমদা হুনবা তিলহৌশিংনা মপাল মরা তাবা হেল্লি। তিলহৌ মরু তাদ্রিঙৈ (ঙল্লিঙৈ মতম), অইং অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৩দগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অমসুং তিলহৌ মরু তাবা হৌরকপদনা অইং-অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৫.৫ দগী ২১ ফাওবা লৈবা অমসুং নোংমদা পুং ১০ উরুম লাংদনা নুংশা ফংবা মফম্না হেন্না তিলহৌ মরু তাই। পোথোক লৈ।

**লৈবাক :** ফোলী তাবা মফমনা হেন্না চানৈ। লৈঙোইনা নম্বা মফমশিং তিলহৌ থাবা নুংঙাইরবসু ঈশিং তোয়না পীবা তাই। লৈতান ওইবা মফমনা ঈশিং পীবগী চাং হন্থরবসু থাবা নুংঙাইতে। তিলহৌগী শাহৌদা অকায়বা লৈ, মরুশিংগী মওং কায়, শেম্ব্রেনবা মরু য়াম্না য়াওই। পোথোক



হন্থে। অশিন অয়াক্কী চাংদি শিল্লপ তৌবা মফমশিং হায়বদি pH ৫.৮দগী ৬.৫ ফাওবা লৈবনা মণিপুরগী অয়াম্বা মফমদা চানৈ। অদুমকপু তিলহৌনা pH ৫.৮দগী ৮ ফাওবা ফজনা হৌবা ঙম্মী।

**হার :** ষন্থি-ষণয়ুংগী নৎত্রগা নাপীশিংবীগী মপূং ফানা পথরবা হার ক্বিন্টল ৭৫ (ফংলবদি), শঙম অমা চাউবা তিলহৌ থাফমদা হাপ্পীগনি। য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৫০দগী ৬০, শিঙ্গল সুপরফোস্ফেট কিলোগ্রাম ৮০দগী ১০০ অমসুং পোটাস কিলোগ্রাম ৩৫দগী ৫০ ফাওবা শঙম অমা পাকচাউবা তিলহৌ থাফমদা হায়বদি লিংথোকফম নৎত্রগা পামফেল ওইনা হুনগদবা মফমদা হাপকনি। অদুমকপু তিলহৌবু পামফেল ওইনা হুনবা হায়বসিদা মাঙজবা য়াম্না লৈ (মণিপুরগী) মফম খরদদি তৌবা য়াওনরি।

ষন্থি-ষণয়ুংগী নৎত্রগা নাপীশিংবীগী মপূং ফানা পথরবা হারশিং থাফম শেম্বা মতমদা হাপ্পীগনি। হাপকদবা য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খায় অমগা সুপরফোস্ফেট অমসুং পোটাসকী অপূনবা শরুক্কা পূন্না তিলহৌশিং লিংথোক্লমদাইদা হাপকনি। অরেম্বা য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খায়দুনা তিলহৌ পাম্বীশিং লিংখ্রবা মতুং চয়োল মঙা-তরুক লৈরগা চাইশিনবীগনি।

তিলহৌ থাফমদা হাপকদবা য়ুরিয়াগী চাং হায়বসিদা য়াম্না চেকশিনবা চংই। নাইট্রোজেন হেন্না ৱাংখ্রবা তিলহৌশিং লীবা নুংঙাইতে, মতোন থোক্কল্লি। নাইট্রোজেন ৱাৎলগনা ঙন্না মপাল শাগল্লি। ৱাৎপা-হেনবা অনীমক্তা অকায়বা লৈ। খ্বাইদগী হেন্না ফবদি লৈপাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্লগা হার হাপ্পসিনি।

**মরুগী চাং :** চারা ওইনা লিংথোকপদা শঙম অমগীদমক মরু কিলোগ্রাম অনীদগী অনীমখায় ফাওবা চঙই। পামফেল ওইনা হুনবগীদমক্তদি মরু কিলোগ্রাম মঙাদগী কিলোগ্রাম তরুক্কা গ্রাম ২৫০ ফাওবা চঙই। মরু লৈবদা চঙখিগদবা শেল অমসুং অকুং-অরলদা অকায়বা য়াম্না লৈবা মরম্না তিলহৌ লিংথোকপগী থবক্লা হেন্না কান্নে অমসুং পাম্নে।

**চারা হুনফম :** হিঙ্গোলগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা মফমদা চারা হুনফম শেমগনি। য়াম্না পাকপা মফম অমদা চারা হুনফমনি হায়দুনা পুল্লপ শেমজিনবা ইপাক পাক্লা থাবা ফত্তে। মিটর ০.৬তগী মিটর অমা ফাওবদং পাকপা অমসুং মিটর অহুম শাংবা মফমশিংদা শেম্বীগনি। চারা হুনফমগী ফৈদোম সেন্টিমিটর ১৫ হায়বদি ইঞ্চি তরুক্তগী তাদনা চিংখৎকনি। দরকারগী মতুং ইন্না মিটর অমা পাকপা অহুম শাংবা সেমি ১৫ ৱাংনা ফৈদোম চিংখৎলবা চারা হুনফম মশীং লেপথোক্কনি। শঙম অমা চাউবা তিলহৌ থাফম অমগীদমক অসিগুম্বা চারা হুনফম ১০দগী ১২ ফাওবগী দরকার ওই। চারা হুনফম অমদা (১x৩x০.১৫) ষন্থি ষণয়ুং নৎত্রগা নাপী শিংবী পথু-পুমথরবা হার কিলোগ্রাম ১৫-২০ ফাওবা হাপহৌগনি। মরুদা হীদাক তোৎলকখ্রবা ওইরবদি অমুক তোৎত্রবসু য়ারে। তোৎলক্ত্রিবা ওইরগদি *Trichoderma* য়াওরবা *culture* গ্রাম ১০ মরু কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎহৌগনি।

**লিংথোকপা :** চয়োল তরুক-তরেৎ শুরবা চারাশিং লিংথোক্লবা শেম শাবা য়ারে। ফোইবা য়ারক্লবা চারাশিংদা ঈশিং পীবগী চাং হন্থরক্কনি। অদুবু চারাশিং ফোয়বা নুংঙাইনবা ফোয়গদবা পুং মরি-মঙা ৱাৎলিঙৈদা ঈশিং পীগনি।

লিংথোক্লমদাইদা Carbendazim 50% গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা তুমহনবীরগা লিংথোক্ল বগীদমক ফোয়রবা চারাশিংগী মখোঙশিং পুং অমা তিংবীবা ফৈ। মসিনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা লায়হল্লি। পরেংগা পরেংগা সেমি: ১৫ (ইঞ্চি তরুক) অমসুং পাম্বীগা পাম্বীগা সেমি: ৭.৫ (ইঞ্চি অহুম) থাপ্পনা লিংথোক্কনি। চয়োল অমা ফাওবগী মনুংদা শিখিবা পাম্বীশিং অনৌবা চারাশিং শীনজিনগনি।

খূৎলোল্লবা মতুংদা চরুশিং ইঞ্চি ২-৩মুক শাংনা কল্লগা তিলহৌ মরক্তা হাপকনি। মসিনা ঈশিং তোয়না চাইদ্রবসু য়াগনি, নাপী হৌহন্দে। চাইখিবা চরুশিং পথুখ্রবা মতুংদা লৈবাক্তা ওর্গানিক মেটর হেনগৎহল্লি, লৈবাক লৈশা ফগৎহল্লি।

পোথোক ৱাংনা পুথোক্লবগীদমক নৌরিবা চারাশিংদগী হৌনা য়াম্না চেকশিনবা চঙই।◀◀

# হায়ব্রিদ চুজাক্কী মরু পুথোকপা


*নিংথিনা হৌরবা চুজাক পাম্বীশিং*


*চুজাক হায়ব্রিদকী মমাগী শৎতোক্লবা মপান*


*হায়ব্রিদ চুজাক মরু ($F_1$ Seed)*

**এস সুমঙ্গল**

**মণিপুরগী** মফম খরদা অদুমক চুজাক য়াম্না পাম্না থানৈ হায়বা তাই। চুজাক্কী য়াম্না চান্নবা মতম অসি খরিফকী মতমদা ওইবনা থানবগী মফমদি য়াম্না চাউনা ফংবা ঙমদে। মতম অসিদদি ফৌনা মরুওইবা লৌউ পোথোক ওইবনা লৌফম অয়াম্বা ফৌনা কনখিবনা চুজাক্কী থাফম য়াম্না ফংদবগী মরমনি হায়বা তাই। মণিপুরগী সেরৌ, চীংগী মফমশিং অমদি তম্পাক্কী মফম খরদা ইন্টরক্রোপ ওইনা থাদুনা চুজাক্তগী শেল নিংথিনা ফংবা ইচিন ইনাওশিং লৈতবসু নত্তে। চুজাক, তর্বুজ, খামেন অশিনবা, কোলি হৱাই খোঙনেম্বী পূন্না ইন্টরক্রোপ তৌদুনা শেল নিংথিনা ফংবা ইচিন ইনাওশিং অদুমক লৈ। মখোয়না থারিবা চুজাক মখলশিং অসি হৌজিক্কী মতমদদি হায়ব্রিদ চুজাক্লা অয়াম্বনি। হায়ব্রিদ চুজাক ওইবনা মপান্দগী মরু পুশিল্লকপা নত্তনা অতৈ উপাই লৈতে। মরম অসি লৈবনা ইরমদম মণিপুরদা হায়ব্রিদ চুজাক মরু পুথোকপগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লব্রা খঞ্জে। অতৈ মহৈ মরোংশিংগী হায়ব্রিদ মরু পুথোকপগুম য়াম্নমক লুবা অমসুং খূৎ য়াম্না চঙবসু ওইদে। ৱাফম মচা মচা খরা চেকশিন্না হোৎনরগা অদুমক মায় পাক্লা পায়খৎপা য়াবা অমদি ওই। ৱাফম অসি লৈবনা ঙসিগী ওইনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি হায়ব্রিদ চুজাক মরু করম্না পুথোক্কনি হায়বদুনি।

হায়ব্রিদ মরু পুথোকপদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম খরদি - হায়ব্রিদ চুজাক অমগী মমা মপাগী মরু, মফম চাবা লৌফম, থৱায় য়াওবা লৌমী, তাকপী তম্বীনবা অখঙ অহৈ, মরু য়োনফম, হায়ব্রিদ চুজাক থাবীনবা মীওইশিং অসিনচিংবগী চপ চাবা মরী অদু মথৌ তাই।

**মণিপুরদা চান্নগদবা মতম ঃ** ফেব্রুৱারী, মার্চতনা খ্বাইদগী চান্নবা মতম ওইগনি । মীওই অয়াম্বনা মতমসিদা চুজাক থাবগী থৌরম পায়খৎনদে। মরম অদুনা মরু পুথোক্কদৌরিবা পাম্বীশিংদা অতোপ্পগী লৈরিকহিং চঙদুনা শেংদবা মরু ওলহল্লকপদগী ঙাকথোক্লবা তাঞ্জাসু ফংবা ঙমগনি।

**আইসোলেসন ঃ** থৌওং অসি অতোপ্পা চুজাক থারিবা মফমদগী মরু পুথোকফম লৌবুক অদু কয়াম লাপহনগনি হায়বদুনি। য়ামদ্রবদা মিটর ৪০০-৫০০ লাপ্পহনগনি।

**মরুগী চাং ঃ** অমোম (মমা) - পরিদা কিলো ১৫; লাবা (মপা) - পরিদা কিলো ১০।

**মমা মপাগী পরেংগী চাং ঃ** মমা - ৩, মপা - ১ হায়বদি অমোমগী পরেং ৩-৩ কান্নরগা লাবগী পরেং অমমম থাগনি, পরেং অনী ওইহনবসু য়াই। লাবগী পরেংনা অমোমগী পরেংশিং চপ্পুনা থাগনি। মতাই থংবা লাবগী পরেং অনী অনী ওইহনবা ফৈ।

**পরেংগী মায়ওন ঃ** অয়াম্বা মতমদা নোংপোক নোংচুপ ওইহন্নে। মপান শাবা মতমদুদা অয়াম্বা মতমদা নুংশিৎ শিৎপগী মায়কৈ য়েংলগা থানৈ। নুংশিৎনা খা-ৱাং হুল্লবদি পরেংগী মায়কৈ নোংপোক-নোংচুপ অদুগা নুংশিৎনা নোংপোক-নোংচুপ শিৎপা মতম ওইরগনা পরেংগী মায়কৈ খা-ৱাং ওইহনগনি।

**অরন অকুং ঃ** পরেংগী অরনবসি সেন্টিমিটর ৬০ (ফুট অনী) অদুগা পরেংগী মনুংদা পাম্বীগী অরনবনা সেন্টিমিটর ২০ (ইঞ্চি নিপান) ওইহনগনি। অহানবা থাবদা খরা কুংতক্লা মরু লীংলবা মতুং, হৌরবা মতমদা অরন অকুং শেমগনি। অরনবা মফমদা অকুংবা মফমদগী মরা য়াওনা ফুক্লবা পাম্বীনা লীংশিনবা য়াই।

**হার হাপ্পা ঃ** লৌফমগী লৈহাও খেন্নবগী মতুং ইন্না খেন্নবা খরা লৈগনি, পরিদা ষন্থি, ষণয়ুংগী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ২৫-৩০ গা লোয়ননা য়ুরিয়া কিলো ২৫০-৩০০; এস এস পি কিলো ৩৫০-৪০০; এম ও পি কিলো ৮০-৯০ চঙগনি।

অরোইবা খোইবদা অপূনবা ষন্থিগী হার; এস এস পি; এম ও পি; য়ুরিয়াগী অপূনবগী ১০ থোকপগী অমা চাং মান্ননা চাইদুনা খোইজিনগনি। লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অদু তাঙ্কক মরি থোক্লা চাইবিগনি।

**তাঙ্ককশিং অদুদি ঃ** মনা মরি শুরকপা মতমদা-অপূনবগী চাদা ২০; মনা নিপান শুবদা - চাদা ৩০; মপান শাবা মতমদা চাদা ৩০; অরোইবদা মরু চঙবা মতমদা - চাদা ১০ গী চাংদা চাইবিগনি।

**ঈশিং চনবা ঃ** মথৌ তাবা মতমদা ঈশিং পীবা ফৈ। মণিপুরগী ফীভমদা, য়াম্নমক লৈঙোইলম নত্তবনিনা য়াম্না তোয়না চাইবগী মথৌ তারোই। চাং নাইনা খজিক খজিক পীবনা অমুক্তা য়াম্না চাইবদগী ফবা হেল্লি। মরু হুল্লবা মতুং, পাম্বীনা পীক্লিঙৈগী; পাম্বীনা খুউগী চাং ৱাংবা মতম; মপান শারকপা মতম; মরু চঙলকপা মতম; মরু চঙলবা মতুং নুমিৎ ১০নি হায়রিবা মতমশিং অসিদা ঈশিং ৱাৎতনবা হোৎনবীগনি। চুরি পাথোক্লা কৈদৌনুংদা ঈশিং চনবিরোইদবনি।

**নাপী হাবেংবা ঃ** নাপীনা চাথোক চাদা ৩৫ হন্থহনবা ঙম্বা মরম্না নাপী হৌহন্দবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। নাপী হৌদ্রিঙৈ মতমদা পরিদা অত্রাজিন ১.০-১.৫ কেজি এক্টিভ ইনগ্রিদেন্ট ঈশিং লিটর ৬০০ তা য়াল্লগা কাপথোকপনা মনা পাকপা পাক্তবা নাপী অয়াম্বা হাৎপা ঙম্মী। মতুংদা চুজাক মরক্তা খূৎনা নাপী হৌরকপা খরা পেংথোকপা ফৈ।

**লায়না তীলনা ঙাকথোকপা ঃ** মতম মতমদুদা তারকপা লায়না তীলনা অখঙ অহৈ মতম চানা তানদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনগনি।

**অমাঙবা পাম্বী লৌথোকপা ঃ** মান্নদবা পাম্বী খুদিংমক চিংনবা লৈতনা ফুক্তোক্তুনা লৌথোকপীগনি। মসিগা লোয়ননা অহেনবা অকুংবা পাম্বীশিং লৌথোকপীগনি। মসিনা খাকহৌরিবা পাম্বীশিং মশা-মউ ফবা হেনগনি। মপান শাদ্রিঙৈ মতমদা মান্নদবা পাম্বী খুদিংমক লৌথোকহৌবা কাউরোইদবনি।

**মখোঙ খোপচিনবা ঃ** চুজাক মখোঙ খোপচিনবা হায়বসি পাম্বী অদু নুংশিৎনা তুদনবা হোৎনবনি। মখোং খোপচিনবা অসিদি অহুম্লক শুবা য়ুরিয়াগী হার হাপ্লবা মতুংদা পাঙথোকপীগনি। হার হাপ্লবা মতুংদা চেকশিন্না মখোঙ খোপচিনগনি।

**দেটাসেল্লিং (অমোমগী মপান শাত্তোকপা) ঃ** হায়ব্রিদ মরু পানগদৌরিবা অমোম পাম্বীশিংগী মপাশিং অদু হেক থিনগৎপগী মতোন খরা উরকপগা লোয়ননা মপান শাৎকাইদ্রিঙৈদা শৎতোকপীগনি। পরেং নাইনা মথং মথং চৎতুনা লোইশিনবীগনি। মপান শাৎপা মতমদা পাম্বীগী মনুংদা মপান লেমহৌদনবা হোৎনগনি। মপানগী মখোকৱাইদা মনাগী মপান্দা খূৎ ওইনা চেৎনা পায়রগা খূৎ য়েৎনা মপানগী মখোকৱাইদা পায়রগা খংশৎ শৎপা মতমদা মপান অদু ইরায় লায়না শৎপা য়াগনি।

**লোকপা ঃ** লাবগী পাম্বীশিং হান্না লোকপীগনি লোয়ননা তোঙান্না থম্বীগনি । মতুংদা অমোম পাম্বীদা পানবা চুজাকশিং হেকপীগনি। পাল্লিবা চুজাক্কী মপান থংবা মকুশিং কংলবা মতুংদা হেকপীগদবনি। অসুম্না লোক্লবা অমোমদা পানবা মরুশিং অদু হায়ব্রিদ চুজাক মরু ওইরে।◀◀

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*